# প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসন্না কম্মন কেন্দিদেট পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
য়াম্না মরুওইবা লৈবাক্কী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগা মরী লৈননা চয়োল ২ রোমগী মমাঙদগী তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংনা অকনবা থৌরাং লৌখৎনরকখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন্না কম্মন কেন্দিদেট অমা পুথোক্লবা হোৎরি।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা জনতা দল য়ুনাইটেদকী লূচিংবা নিতিশ কুমারনা মমাঙ চয়োলদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনবদা ৱাফম অসি ইহান হান্না হৌদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (এন দি এ) নত্তবা পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবগী মতাংদা কোংগ্রেসনা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। ওপোজিসন লীদর খরনা হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং রিজনেল পার্টি খরগী লূচিংবশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি।

ওপোজিসন লীদরশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙান্না ৱারী শানবগী মহুত্তা ফোর্মেল ওইনা এন দি এগী মায়োক্তা লৈবা পার্টিশিংগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কম্মন কেন্দিদেট অমবু প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা থাগৎলগনি হায়রি।

রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)কী লুচিংবা মোহন ভগৱটপু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা থাগৎপগী মতাংদা হান্নগী রেলৱে মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবা সী কে জাফর সরিফনা শৌগৎপা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চেরোল অমদা জাফরনা হায়খি, মোহন ভগৱটপু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা পুখৎনবা হোৎনবদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা অথিংবা পীফম থোক্তে। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন ঙাক্না চৎপগীদমক ভগৱটপু হান্নগী রেলৱে মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

আর এস এসকী লুচিংবা অসিনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন ইকায় খুম্নবগা লোয়নননা মরৈবাক্কীদমক লৌরিবা থৌদাং পুম্নমক খঙবীবা মথৌ তাই।

মহারাষ্ট্রগী বিদরভা রিজন মনুং চন্না লৈবা চন্দ্রপুরদা পোকখিবা ভগৱট (৬৬)না কুমজা ২০০৯ গী মার্চতগী আর এস এসকী লুচিংবা ওইনা লৈরকখিবনি। চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ভগৱটপু এন দি এগী মীরেপ ওইনা থাগৎনবা শিব সেনানা মমাঙদসু তকশিনবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, বি জে পিগী সিনিয়র লীদর লাল কৃষ্ণ অদভানিনা ইন্দিয়াগী মথংগী প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়না এজেন্সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক্না বি জে পিগী অহল ওইরবা লুচিংবা অসিগী মমিংবু মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা পুখৎখিবনি। গুজরাটকী সোমনাথতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অদভানিগী মমিং পুখৎতুনা মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগী ৱাফম হৌদোকখিবা লৈখ্রে।

# সী বি এস ঈনা নেসনল ইলিজিবিলিটি টেষ্ট পাঙথোক্লগনি : ভী এস অচুতানন্দন



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
মহৈরোয় লাখ ৫ রোমগী চমম্নবা কোকহল্লদুনা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী)না হায়খ্রে মদুদি সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ)না নেসনল ইলিজিবিলিটি টেষ্ট (এন ঈ টি) পাঙথোক্লগনি।

চহী অসিগী হৌগৎলকপদা সী বি এস ঈনা এন ঈ টি পাঙথোকপা ঙম্লোই হায়না হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা অইবা চেরোল পীশিল্লকপদগী লৈবাক অসিদা চহী ৩৩গী মনুংদা অহানবা ওইনা মহৈরোয়শিংদা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা মায়োক্লহনখি।

কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিশিংদা ওজা ওইনবগীদমক তঙাইফদনা এন ঈ টি পাস তৌবা মথৌ তাই। চাংয়েং অসি চহী খূদিংগী দিসেম্বর-জন্যুৱারী অমসুং জুন-জুলাইদা হেক হেক পাঙথোকপনি।

মহৈরোয় খরনা য়ু জি সীগী ওফিস মনাক্তা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদগী এন ঈ টিগী মতাংদা অশেংবা অমা খঙহনবীনবা খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুংদা সী বি এস ঈনা এন ঈ টি পাঙথোকপগী ৱাফম লাউথোরকখিবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমগী নাকোয়নননা য়ু জি সীগী ওফিসিয়েটিং চ্যেরমেন ভী এস অচুতানন্দননা হায়খি, এন ঈ টিগী মতাংদা সী বি এস ঈগা য়ানবা পুরক্লে। সী বি এস ঈ, য়ু জি সী অমসুং ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগী মরক্তা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা হীরম অসিগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি।

অমরোমদা, সী বি এস ঈনা মোদরেসন পোলিসি চৎনহন্দনবা ফিরেপ লৌখ্রে। অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা অরুবা ৱাহংশিংগীদমক মহৈরোয়শিংদা গ্রেস মার্ক পীবগী থৌওং অসি মখা তানা চৎনহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, সী বি এস ঈদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিং লল্লোন-ইতিক তৌফম নত্তে। মরম অদুনা লাইরিক, য়ুনিফোর্ম অমদি ষ্টেসনরিগী পোৎলম য়োনবা য়ারোই হায়না বোর্দনা মরী লৈনবা স্কুলশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে।

মমা-মপা অমসুং মরী লৈনবা মীওইশিংনা স্কুলদা লাইরিক অমসুং য়ুনিফোর্মনচিংবা য়োন্দুনা শেন্দাল লম্বী চথরে হায়না ৱাকৎলকখ্রবা মতুংদা সী বি এস ঈনা হীরম অসিগী মতাংদা এদভাইজরি অমা থাদোরকখি।

স্কুলশিংদা থাখিবা চেরোল অদুগী মতুং ইন্না, মমা-মপা অমদি মীওই খরনা পুখৎলকপা ৱাকৎ লুম্না লৌবগা লোয়নননা স্কুল কেম্পস মনুং নৎত্রগা অখন্নবা দুকান খরখক্তা লাইরিক, নোট বুক, ষ্টেসনরি, য়ুনিফোর্ম, খোঙউপ, স্কুল বেগনচিংবা পোৎলমশিং য়োনবা য়ারোই হায়না খঙহনখিবনি।

সী বি আই ঈগী কাঙলোন মতুং ইন্না খুন্নাইগী থৌগল তৌনবগীদমক স্কুল হাংদোক্কদবনি। লল্লোন-ইতিক্না মরী লৈনবা থবক তৌদুনা স্কুলবু শেন্দাল লম্বী ওন্থোকপা য়াদে। এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসনশিংগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি মহৈরোয়শিংদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন ফংহনবনি। শেন্দাল লম্বীগীদমক স্কুল হাংদোকপা য়ারোই হায়নসু খঙহনখ্রবনি।

# যোগি অদিত্যনাথনা উত্তর প্রদেশকী ছুতি ১৫ ককথৎখ্রে



লখনৌ, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
উত্তর প্রদেশতা শক্নাইরবা মীওইশিংগী মপোক নুমিৎ নৎত্রগনা লৈখিদবগী কুমওন নুমিত্তা থারম্বা ছুতি ১৫ কক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবীনেটকী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না হায়রিবা নুমিৎশিং অদুদা ছুতি থাবগী মহুত্তা স্কুল অমদি কোলেজশিংদা মশক নাইবা মীওইশিং অদুগী পুন্সি ৱারী মহৈরোয়শিংদা লীদুনা খঙহনগনি হায়রি।

কেবীনেট মিনিষ্টর শ্রীকান্ত শর্ম্মনা হায়খি, লৈখিদ্রবা শক্নাইরবা মীওইশিংগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থারম্বা ছুতি ১৫ কক্নবা কেবীনেটনা ৱারেপ লৌরে। ডা. বি আর অম্বেদকরগী ১২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা অদিত্যনাথনা ছুতি মশীং য়াম্মনবনা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়ারদা অকায়বা থোকহল্লকপগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলদুনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা ফুদ সেম্পলশিং চাংয়েং তৌনবা লেবোরেটরি থম্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌরিবা মীওইশিং ফাগৎনবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চথবা মথৌ তাই। চহী খূদিংগী চীঞ্জাক্কী সেম্পল ১৮,০০০ টেষ্ট তৌনবা লেবোরেটরি তরুকখক য়ু পিদা লৈবগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৭৫ মক্তা ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরি অমমম শোয়দনা লৈহনগদবনি। মফম কয়াদা চোয়না য়োল্লিবা শঙ্গোমদা পোৎয়ান তৌবা থিংনবগীদমক মোবাইল ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরি শেমগৎনবসু মহাক্না ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মনুং-মপান ফাওনা উবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্টরশিংনা ঙাক্না চৎকদবা থৌরাং কয়া উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

# প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা মিনিট ২ তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবা সী আর পি এফ জৱানশিংদা ঈকায় খুম্নখ্রে



পনাজি, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ছতিসগরগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা সী আর পি এফ জৱান ২৬কী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

গোৱা য়ুনিভর্সিটিগী ২৯শুবা কনভোকেসন হৌদোকপগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা প্রসিদেন্ট, গোৱাগী গভর্নর ম্রিদুলা সিনহা, চীফ মিনিষ্টর মনোহর পারিকার অমসুং মহৈরোয়শিংনা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা জৱানশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনার্থ সিংহনা ছতিসগরদা লৈখিদ্রবা জৱানশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম য়াওরবা মতুংদা হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্টনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী মথক্তা লৌখৎলিবা থৌরাং নৌনা য়েংশিল্লগনি।

রাইপুরদা লৈবা ছতিসগর আর্ম ফোর্সকী ৪শুবা বট্টালিয়ন্দা ঙসি অয়ুক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহ অমসুং অতৈ সিনিয়ার ওফিসারশিংগা লোয়নননা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী মফমদা লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

পনবা য়াবদি, খা থংবা ছতিসগরগী সুকমা রিজন্দা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পুং ১২.৪৫ তাবদা মাওইষ্টকী অকনবা মফম ওইরিবা বাস্তার এরিয়াগী পুরকপাল অমদি চিন্তাগুফাগী লোন্নবা মফম অমদা নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনি।

মফম অদুদা লম্বী শেন্বগা মরী লৈননা সী আর পি এফকী পার্সনেল ৯০না রোদ ওপনিং পার্টি (আর ও পি) দ্যুটি তৌদুনা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিং ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। মফম অদুদা লুমদুনা লৈরম্বা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্লবদা সী আর পি এফকী জৱান ২৬ শিরগা তরেৎনা শোকখিবনি।

থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেল থাজিনবগা লোয়নননা অকোয়বদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথরি হায়না দান্তেৱাদাগী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস পি সুন্দরাজনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

সী আর পি এফকী জৱানশিংনা ঙাইহাক অৱা পোথাবা ওইনা ফন্নগা লঞ্চ চারিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা এটেক চথরকখিবনি। নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবদা মাওইষ্ট লালহৌবা মঙাসু শিখি হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# টামিল নাদুদা বন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে

চেন্নাই, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
ইকংগী অৱাবা মায়োক্নরিবা লৌমীশিংবু শৌগৎপা ওইনা দ্রাবিদা মুনেত্রা কঝাগম (দি এম কে)না লূচিংবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা কৌখিবা বন্দনা ঙসি টামিল নাদুদা মহৌশাগী পূন্সি চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

দি এম কে, কোংগ্রেস, তোঙান তোঙানবা ট্রেদ য়ুনিয়নশিং, লৌমীশিংগী লূপ অমদি ফিল্ম ষ্টার কয়ানা বন্দদা মপুং ফানা শৌগৎখি। এসোসিএসন ওফ গ্রোসরিজ, ওটো দ্রাইভরশিংগী ট্রেদ য়ুনিয়ন অমদি মনা-মশিং য়োনবা মীওই ২০না মপুং ফানা শৌগৎখিবা তারবসু লৈঙাক পায়রিবা ওল ইন্দিয়া অন্ন দ্রাবিতা মুনেত্রা কঝাগম (এ আই এ দি এম কে) অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)নদি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক কনাগুম্বা মীওই খরনা বন্দ কৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা নুমিৎ ৩৯ খোঙজং চঙশিল্লকখিবা টামিল নাদুগী লৌমীশিংনা মে ২৫ ফাওবা খোঙজং য়েথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ঈ কে পলানিস্বামিনা ঙরাং অয়ুক লৌমীশিংগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা মতম খরা খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি।

নিতি আয়োগকী মীফম য়াওনবগীদমক থাংজ নুমিত্তা লৈবাক্কী কোনুং ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবা চীফ মিনিষ্টরনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংদা হায়খি মদুদি, অথুবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উনদুনা লৌমীশিংগী ৱাকৎ ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমদি হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগসু লৌমীশিংগী মতাংদা ৱারী শানরে হায়না পলানিস্বামিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। টামিল নাদুগী লৌমীশিংনা তাল্লিবা মরুওইবা দিমান্দশিংদি ঈকং থোকখিবগীদমক লুপা ক্রোর ৪০,০০০গী পেকেজ লাউথোকপা, লৌমীশিংগী লোন কোকপীবা অমসুং কাবেরি মেনেজমেন্ট বোর্দ শেম্বা অসিনচিংবনি। লৌমীশিংনা মরু কোকথোকপদা নত্তনা মকোয়-মরাং পুম্নমক কোকথোকপগা লোয়নননা দিমান্দ ফংনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

বন্দ মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরকপা য়াই চিংনবদগী পুলিসনা মফম কয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

# এম সী দিগী মীখলদা এ এ পি মায়থিরবদি অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ফম থাদোক্কদবনি : এম এল এশিং



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লি (এম সী দি)গী মীখলদা করিগুম্বা আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি) মায়থিবা থোক্লবদি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ফম থাদোক্কদবনি হায়না পার্টিগী এম এল এ ৩৪না তকশিনখ্রে।

অমরোমদা, এ এ পিনা করিগুম্বা মীখলদা মায়থিবা থোক্লবদি অনৌবা পার্টি অমা লিংখৎনবা থৌরাং তৌরে হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মীখলদা বি জে পিনা সিট মশীং য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্কনি হায়না ইগজিট পোল অনীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবনি। মীওই মিল্লিয়ন ১৩.২না ভোট থাদনখ্রবা মতুংদা এপ্রিল ২৬তগী ভোট মশীং থীবা হৌগদৌরি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পি অমসুং আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি) অকনবা লম্বা পারবসু বি জে পিনা মায় পাকপা য়াবগী ফীভমদা লৈ। কোংগ্রেসনা অহুমশুবদা লৈবা য়াই হায়না ইগজিট পোলগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। মতম শাংনা ইষ্ট, নোর্থ অমদি সাউথ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনশিং পায়দুনা লাকখিবা বি জে পিবু হন্দক্কী মতাং অসিদা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী এ এ পিনা মায়থিবা পীনবা হোৎনরি। অদুবু কুমজা ২০১৫গী এসেম্বলি ইলেক্সন্দা অপুনবা সিট ৭০গী মনুংদা ৬৭ ফংখিবা এ এ পিনা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল মমাঙদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি।

কোংগ্রেসকী ওইনদি সেন্টর, সিটি অমসুং সিবিক এজেন্সীশিং মতম শাংনা পায়বা ঙল্লক্তবা মরম্না হন্দক্কী মীখল অসিদসু সিট য়াম্না ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রি।

ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেন অহুমগী অপুনবা সিট ২৭২গী মনুংদা শুপ্নগী অনীখক নত্তনা অতৈ সিট খূদিংমক্কী মীখল পাঙথোকখ্রে।

মীরেপ অমমম শিখিবা মরম্না ইষ্ট দিল্লিগী মোজপুর ৱার্দ অমসুং নোর্থ দিল্লিগী সরাই পিপাল থালা ৱার্দতা মীখল য়ৈথোকখি। ষ্টেটকী ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না ৱাৎহৌরিবা ৱার্দ অনীগী মীখল মে থাদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইমা ইবেম্মা খুন্থোকহান্বী (লাই চৈখেৎপী) অমদি ইপা ইবুংঙো থাংচি ঙাঙোই নিংথৌ অনীগী কুমশি কুমজা হরাওবা পাওজেল

ইমা ইবেম্মা খুন্থোকহান্বী (লাই চৈখেৎপী) অমদি ইপা ইবুংঙো থাংচি ঙাঙোই নিংথৌ অনীগী কুমশি কুমজা হরাওবা, লাক্লিবা তাং ৩০/০৪/২০১৭ ইং, কালেনগী ৫ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌজরগা, তাং ৬/০৫/২০১৭ ইং, কালেনগী ১১ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শারেন চনবা অমদি লাইরোই তাঞ্জগনি। লোয়নননা লাক্লিবা তাং ৪/০৫/২০১৭ ইং, কালেনগী ৯ নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা ইমা ইপা অনীগী কোংবা লময়েংবা শাবল লমথোকপা নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিদা ইমা অমদি ইপা অনীগী মচা-মনাই ওইবশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা ইমা অমদি ইপাগী থৌরম অসিবু মপুং ফানা য়াওবিরনবা নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

*পাওজেঞ্জরিবা ঃ* ইমা ইবেম্মা খুন্থোকহান্বী থৌগল মরুপ
ডি. এম. কলেজ গেট, থাংমৈবন্দ।
HL-P/1415/24-26

টৈনংঙাদেপ্/লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্নাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইত্তবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
HL-B/3796/06/04-05/05

# নমদুনা হিন্দী লোল চৎনহন্নবা থৌরাং লৈতে : সেন্টর



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
হিন্দী লোল ঙাঙদবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংদা নমদুনা হিন্দী লোল ঙাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা শেংদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা হায়খি মদুদি, মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা হিন্দী লোল ঙাঙনবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ইচম চম্বা রেকমেন্দেসননি। হিন্দী খঙদবা মীওইশিংদা নমদুনা লোল অসি ঙাঙহনবগী ৱাফম য়াওদে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজুনা অতৈ অতোপ্পা লোলশিংবু হিন্দী চাউখৎহন্নবা হোৎনবনি। লোল অসি মীপুম খূদিংমক্তা নমদুনা ঙাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে হায়না শেংদোকখ্রবা মতুংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙসি হীরম অসিগী মতাংদা নৌনা অমুক শেংদোক ৱারোল অমা থাদোরকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হিন্দী খঙদবা ষ্টেটশিংদা নমদুনা হিন্দী লোল ঙাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না মরাল শীরকখিবগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট ওফ ওফিসল লেংগ্বেজগী ইন-চার্জসু ওইরিবা রিজিজুনা শেংদোকপা লৈখ্রবনি।

দি এম কেগী লূচিংবা এম কে ষ্টেলিননা হায়খি, পোকপদগী হিন্দী লোল ঙাঙলক্তবা মীওইশিংবু নমদুনা হিন্দী লোল ঙাঙহন্নবগী মতাংদা সেন্টরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি লৈবাক মীয়াম্না য়াফম থোক্তে।

হিন্দী লোল ঙাঙবা অমসুং পাবা ঙম্লবদি প্রসিদেন্ট অমসুং মিনিষ্টরশিং য়াওনা লূচিংবশিংনা হিন্দী লোন্দা স্পিছ পীগদবনি হায়বা কম্মিটি ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওন ওফিসল লেংগ্বেজেজগী রেকমেন্দেসন প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা অয়াবা পীবা লৈখ্রে।

কম্মিটিনা হিন্দী লোল চাউখৎহন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রেকমেন্দেসন ১১৭ পীখৎলকখ্রবা মতুংদা অনৌবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। প্রসিদেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা নোটিফিকেসন অমা মিনিষ্ট্রিশিং, ষ্টেট খূদিংমক অমদি প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতা থাবসু লৈখ্রবনি।

প্রসিদেন্ট মুখর্জিগী মতম জুলাই থাদা লোইরগনি। মথংগী প্রসিদেন্টনা হিন্দী লোল খক্তদা ৱা ঙাঙবা য়ারগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি মহাক্কী কেবীনেট মিনিষ্টর অয়াম্বসু হিন্দী খক্তদা ৱা ঙাঙদুনা লাকখিবনি। প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা অতৈ রেকমেন্দেসনশিংগী মনুংদা এয়র ইন্দিয়াগী টিকেটতা হিন্দী শীজিন্নবা পেসেঞ্জরশিংদা হিন্দী লোলগী মেগজিন অমসুং পাউচেশিং পাহনবগী ৱাফম য়াওরি।

কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা সী বি এস ঈ অমদি কেন্দ্র বিদ্যলয়া স্কুলশিংদা হিন্দী লোলবু ক্লাস টেন ফাওবা তঙাইফদনা তমহনবগী ৱাফম য়াওরি। থৌরাং অসি সেন্টরনা হিন্দী লোল ঙাঙবা ষ্টেট খক্তদা মরী লৈনবা ষ্টেটকা তানরবা মতুংদা লৌখৎকদবনি হায়রি।

# ছোতা রাজন চহী ৭ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী) :
ফেক পাসপোর্ট কেসকা মরী লৈননা ছোতা রাজন অমদি অতোপ্পা মীওই অহুম্বু চহী ৭ জেলদা থম্নবা স্পেসল কোর্ট অমনা ৱায়েল পীখ্রে। কোর্টনা লুপা ১৫,০০০গী ফাইন থীগদবনি হায়নসু মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুদা খঙহনখি।

রাজন অমদি অতোপ্পা মীওই অহুমদা চৈরাক পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা সী বি আইগী স্পেসল জজ বিরেন্দর কুমার গোয়লনা নাকল অনীমক্কী আর্গ্যুমেন্ট তাখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা পতিয়ালা হাউস কোর্টনা ছোতা রাজন এলিয়স রাজেন্দ্র শদাশিব নিখলজি অমসুং গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অহুম্বু কেস অসিগী মতাংদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

মমাঙ চহীগী জুন থাদা কোর্টনা রাজন অমসুং মতমদুগী পাসপোর্ট ওফিসারশিং-জয়শ্রী দত্তত্রে রহাতে, দিপক নতৱরলাল শাহ অমসুং ললিতা লক্ষ্মনন্দগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখি। মীওই মরিমক আই পি সীগী সেক্সন ৪২০ (চিটিং), সেক্সন ৪৭১ (অশাবা দোক্যুমেন্ট শীজিন্নবা), সেক্সন ৪৬৮ (অরানবা তৌনবগীদমক অশাবা চে-চাং শেম্বা), সেক্সন ৪৬৭, সেক্সন ৪১৯ অমদি সেক্সন ১২০ (বি)গী মখাদা মরাল লৈরে হায়না চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি।